

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, FRIDAY, JUNE 08, 2018 PAGE 7



*ক্বার্টর ফাইনেলদা আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টসমেনবু মায়থিবা পীদুনা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ১১রকশুবা ওইনা সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখ্রবা ৱার্ল্ড নম্বর ৱান স্পেনগী শান্নরোই রাফেল নদাল*

*রুশিয়াগী ফিফা ৱার্ল্ড কপকী মাঙওইননা নোর্থ ইটালিগী ইপ্পানদা পাঙথোক্কদৌরিবা ৱার্ল্ড কপকী অরোইবা কেম্পতা মশা শোকপনা মরম ওইরগা য়াওবা ফংলরোইদবা জর্মনিগী মিডফিল্ডর শান্নরোই মেসুট ওজিল*

## ৱুমেন্স এসিয়া টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টতা ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা ফাইনেল য়ৌবগী আশা লৈখ্রে



*ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট শান্নরোইশিংনা শ্রী লঙ্কাগী ৱিকেট লৌবদা হরাওবা ফোঙদোকমিন্নখিবা*

*কোলা লুম্পু, জুন ০৭ঃ*

ইন্দিয়াগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্না শ্রী লঙ্কাগী নুপীগী ক্রিকেট টিম্বু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা মালেসিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা শান্নরিবা ৱুমেন্স এসিয়া কপ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবগী আশা লৈখ্রে।

ইন্দিয়া অমসুং শ্রী লঙ্কানা শান্নখিবা ১২শুবা মেটচ অদুগী টোস শ্রী লঙ্কানা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা শ্রী লঙ্কাগী শান্নরোইশিংনা ওভর ২০ ৱিকেট ৭ তুরগা শুপ্নগী রন ১০৭ খক লৌবা ঙমখি।

শ্রী লঙ্কাগী মায়কৈদগী ওপনর য়াসোদা মেন্দিস অমসুং নিপুনি হান্সিকানা ইন্নিংস অদু হৌদোরকখি। স্কোর বোর্দতা রন ১২ লৈরিঙৈদা ওপনর নিপুনি হান্সিকা শুপ্নগী রন ২ দা আওট ওইখি।

অহুমশুবা বেটসৱুমেন হসিনা পেরেরা অমসুং ওপনর য়াসোদা মেন্দিসনা য়াম্না ফজনা শান্নরক্তুনা শ্রী লঙ্কাগী ইন্নিংস অদু রন ৫০ য়ৌহল্লকখি। য়াসোদা মেন্দিস বোল ৩৯ মায়োক্নবদা ফোর ১ য়ৈরগা রন ২৭ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

মেন্দিসকী মহুৎ শিল্লকখিবা নিলাকসি দি সিলভা অমসুং মখা তাবা বেটসৱুমেনশিংনা মপুং ফানা রন লৌবা ঙমখিদবদগী শ্রী লঙ্কাগী ইন্নিংস অদু ওভর ২০ শুরকপদা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১০৭ লৌখি।

শ্রী লঙ্কাগী ইন্নিংস অদুদা ৩শুবা বেটসৱুমেন ওইনা থোরকখিবা হসিনা পেরেরানা বোল ৪৩ মায়োক্নবদা ফোর ৪ য়ৈরগা আওট ওইদনা রন ৪৬ লৌরম্বা অদুনা ইন্নিংস অদুগী খ্বাইদগী ফজবা স্কোর ওইখি।

ইন্দিয়ানা মায় পাক্নবা টার্গেট লৈখিবা রন ১০৮ অদু ১৯শুবা ওভরগী ৫শুবা বোলদা ৱিকেট ৩ খক তুরগা রন ১১০ লৌখিবদগী মেটচ অদু ইন্দিয়ানা শ্রী লঙ্কাবু ৱিকেট ৭ তা মায়থিবা পীদুনা ৱুমেন্স এসিয়া কপ টি–২০ ক্রিকেট টুর্নামেন্টকী ফাইনেল য়ৌবগী লম্বেল নকশিনখিবনি।

ইন্দিয়াগী মায়কৈদগী মিথালি রাজ অমসুং স্মৃতি মন্ধনানা ইন্নিংস হৌদোরকখি। স্মৃতি মন্ধনা বোল ১৬ মায়োক্নবদা ফোর অমা য়ৈরগা রন ১২ খক লৌরম্লগা স্কোর বোর্দতা রন ২১ শুরকপদা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবা ইন্দিয়াগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোরনা মিথালি রাজগা পার্টনর ওইদুনা ইন্দিয়াগী ইন্নিংস অদু শেমগৎলকখি। মিথালি রাজ বোল ৩৩ মায়োক্নবদা ফোর অমা য়ৈরগা রন ২৩ লৌরম্লগা আওট ওইখ্রবা মতুং ৪শুবা বেটসৱুমেনন ভেদা কৃষ্ণমুর্থি শান্নবা চঙলকখি।

মিথালি রাজনা ঙসি লৌখিবা রন ২৩ অদু থারগা মেটচ ৭৫ শান্নবদা রন ২০১৫ শুদুনা ইন্দিয়াগী টি–২০ ক্রিকেটকী পুৱারীদা নুপা অমসুং নুপীগী কাঙলুপ্তা অহানবা রন ২০০০ লাম্থোকপা ঙম্বা শান্নরোই ওইবা ঙমখি।

ইন্দিয়াগী কেপ্টেন হর্মনপ্রিত কোরসু য়াম্না ফজবা পার্ফোমেন্স উৎপা ঙমদুনা বোল ২৫ মায়োক্নবদা ফোর ২ য়ৈরগা রন ২৪ লৌরম্লগা আওট ওইখি।

নৌনা চঙলকখিবী অনুজা পটিলগা ভেদা কৃষ্ণমুর্থিনা য়াম্না ফজবা পার্টনর্সিপ অমা শেমদুনা মায় পাকপগী রন অদু লৌবা ঙমদুনা মেটচ অদু ৱিকেট ৭ তা শ্রী লঙ্কাবু মায়থিবা পীখি।

ইন্দিয়াগী বেটসৱুমেন ভেদা কৃষ্ণমুর্থি অমসুং অনুজা পটিলনা মথংশিংনা আওট ওইদনা রন ২৯ অমসুং ১৯ লৌরম্লগা মেটচ অদু মায় পাকহনখিবনি।

ইন্দিয়ানা মখোয়গী অরোইবা গ্রুপ মেটচ অদু থা অসিগী ৯ দা পাকিস্থানগা শান্নরগনি।

## হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপকী মেটচ অমদা য়ুম্বু ইন্দিয়াবু ন্যু জিলেন্দনা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে



*ইন্দিয়াগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিং লাম্থোক্তুনা বোল পুরকপা*

*মুম্বাই, জুন ০৭ঃ*

ইন্দিয়ানা য়ুম্বু ওইদুনা চত্থরিবা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা গ্রুপ মেটচ অমদা য়ুম্বু ইন্দিয়াবু ন্যু জিলেন্দনা পাঞ্জল ২–১ দা মায়থিবা পীখ্রে।

ইন্দিয়াগী নুপাগী ফুটবোল টিম অসিনা হিরো ইন্টরকোন্টিনেন্টেল কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী অহৌবা মেটচতা চাইনিজ তাইপৈবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীরম্লবা মতুং অনীশুবা মেটচতা কেনিয়াবু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীদুনা টুর্নামেন্ট অসিদা য়াম্না ফজবা ফিভমদা লৈখিবনি।

ঙসি মুম্বাইদা লৈবা মুম্বাই ফুটবোল এরেনাদা ইন্দিয়া অমসুং ন্যু জিলেন্দনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌবদগী হৌনা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এটেক তৌদুনা শান্নরকখি।

ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেকশিং অদু ইন্দিয়াগী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা মায়োক্নবা ঙমখিবদগী পাঞ্জল চনশিনবা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী শান্নবা অদুদা ইন্দিয়াগী মায়কৈদগীসু এটেক মরক মরক্তা চত্থখি। অদুবু পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙমদনা লৈখি।

অহানবা হাল্ফকী অপীবা মিনট ৪৫ রোমগী মতম অদুদা টিম অনীগী মায়কৈদগী এটেক কয়া তৌনদুনা শান্নখ্রবসু পাঞ্জল অমত্তা চনশিনবা ঙম্নদনা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অহানবা হাল্ফকী ইনজুরি টাইমগী ২শুবা মিনটতা ন্যু জলেন্দগী শান্নরোইশিং ফংখিবা ফ্রি কিক অমা টিম অদুগী শান্নরোই সরপ্রিত সিংহনা কাওশিনবদা ইন্দিয়াগী গোল পোষ্টতা পান্দুনা অহানবা হাল্ফ অদুদা পাঞ্জল মাঙজিল থারমগদবা তাঞ্জা অমা মাঙজখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা য়ুম্বু ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা বোল হেন্না পায়দুনা ন্যু জিলেন্দগী হাল্ফতা শান্নবা ঙমখি।

শান্নবগী ৪৭শুবা মিনটতা ইন্দিয়াগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী কেপ্টেন সুনিল ছেত্রিনা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ন্যু জিলেন্দবু ১–০ দা মাঙজিল থাদুনা চৎখি।

পাঞ্জল অমা শোত্থরবা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা পাঞ্জল হন্দোক্নবা হোৎনদুনা ইন্দিয়াগী মায়কৈদা এটেক তৌবগী চাং ৱাংখি। শান্নবগী ৪৯শুবা মিনটতা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা এন্দ্রি দি জোংনা ইক্বেলাইজর অদু চন্দুনা মেটচ অদু য়াম্না মান্নবা মওং দা পাঞ্জল ১–১ দা লৈখি।

ন্যু জিলেন্দগা ঙসি ইন্দিয়াগা শান্নখিবা মেটচ অদুদা মনিপুরগী শান্নরোই সলাম রঞ্জনসু শরুক য়াখি। অদুবু মেটচ অদুদা মহাক্কী পার্ফোমেন্স ফজনা পীবা ঙমখিদে।

টিম অনীমক পাঞ্জল মান্নরবা মতুং অহেনবা পাঞ্জল চনশিন্ননবা এটেক তৌবগী চাং হেঞ্জিন্নরকখি। অনীশুবা হাল্ফকী লেমহৌবা অয়াম্বা মতম অদুদা পাঞ্জল চনশিন্নবা হোৎনরকখিবশিং অদু মখোয়–মখোয়গী দিফেন্দরশিংনা নীংথিনা ঙাক–শেন্দুনা লৈনখিবদগী পাঞ্জল ওন্থোকপা ঙম্নদনা লৈখি।

শান্নবগী ৮৬শুবা মিনটতা ন্যু জিলেন্দগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা দায়র মোজেস জোননা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ইন্দিয়াবু ২–১ দা মাঙজিল থাখিবা অদু লেমহৌবা মিনট ১৪ রোমগী মতম অদুদা ইন্দিয়ানা হন্দোকপা ঙমখিদবদগী মেটচ অদু ন্যু জিলেন্দনা ২–১ দা মায়থিবা পীরমখি।

## চাইনিজ তাইপৈগী লটিসা চান অমসুং ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগনা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্টকী মিক্স দবলসকী টাইটল লৌখ্রে



*ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিসকী মিক্স দবলসকী টাইটল ফংখ্রবা ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগ অমসুং চাইনিজ তাইপৈগী লটিসা চান*

*পেরিস, জুন ০৭ঃ*

ফ্রান্সকী সিটি পেরিসতা চত্থরিবা ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচ মায় পাক্তুনা চাইনিজ তাইপৈগী লটিসা চান অমসুং ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগনা টাইটল লৌখ্রে।

ঙসি শান্নখিবা মিক্স দবলসকী ফাইনেল মেটচ অদুদা ২শুবা সিদেদ পেয়র চাইনিজ তাইপৈগী লটিসা চান অমসুং ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগনা অহানবা সিদেদ পেয়র কানাদাগী গাব্রিএলা দাব্রোস্কি অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসপু সেট ২–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা সেট কানাদা অমসুং ক্রোএসিয়াগী পেয়র অদুনা চাইনিজ তাইপৈ অমসুং ক্রোএসিয়াগী পেয়র অদুগী সার্ভিস গেম অনী ব্রেক তৌদুনা ৬–১ দা য়াম্না কোম্না থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা চান অমসুং দোগিগনা অনীশুবা সেট অদুদা টাই ব্রেক্তা ৭–৬(৭–৫) দা থোইরদুনা পেয়র অনীমক সেট অমমম মান্নদুনা লৈখি।

অহুমশুবা অমদি দিসাইদিং সেট অদু সুপর টাই ব্রেক্তা চাং য়েংনখি। মদুদা চাইনিজ তাইপৈগী লটিসা চান অমসুং ক্রোএসিয়াগী ইভান দোগিগনা কানাদাগী গাব্রিএলা দাব্রোস্কি অমসুং ক্রোএসিয়াগী মাটে পেভিসপু ১০–৮ দা থোইদুনা মিক্স দবলসকী টাইটল অদু লৌবা ঙমখি।

ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলস সেমি ফাইনেল মেটচ অমদা নম্বর ৱান সিদেদ স্পেনগী রাফেল নদাল অমসুং আর্জেন্টিনাগী মার্টিন দেল পোত্রো লম্বা তৌনরগনি।

অহানবা সিদেদ পেয়র স্পেনগী রাফেল নদালনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচতা ১১শুবা সিদেদ পেয়র আর্জেন্টিনাগী দিএগো স্বার্টসমেনবু সেট ৩–১ দা মায়থিবা পীরম্বনি।

মেটচ অদুগী অহানবা সেট আর্জেন্টিনাগী শান্নরোই স্বার্টচমেননা স্পেনগী নদালগী সার্ভিস গেম অমা ব্রেক তৌদুনা ৬–৪ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থাখি।

সেট অমা শোত্থরবা স্পেনগী রাফেল নদালনা মখা তানা শান্নখিবা সেট অহুমদা ৬–৩, ৬–২, ৬–২ দা থোইদুনা ফ্রেঞ্চ ওপন টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপাগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল য়ৌবা ঙমখিবনি।

স্পেনগী রাফেল নদালগা সেমি ফাইনেল লম্বা ওইগদৌরিবা ৫শুবা সিদেদ শান্নরোই আর্জেন্টিনাগী মার্টিন দেল পোত্রোনা ঙসি শান্নখিবা নুপাগী সিঙ্গলসকী ক্বার্টর ফাইনেল মেটচ অমদা ৩শুবা সিদেদ শান্নরোই ক্রোএসিয়াগী মারিন সিলিকপু য়াম্না অকনবা লম্বা অমা মায়োক্নরবা মতুং ৭–৬(৭–৫), ৫–৭, ৬–৩, ৭–৫ দা থোইদুনা সেমি ফাইনেল য়ৌরকপনি।

ফ্রেঞ্চ ওপন গ্রান্দ স্লাম টেন্নিস টুর্নামেন্ট অসিগী নুপীগী সিঙ্গলস ফাইনেলদা নম্বর ৱান সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপ অমসুং য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্স লম্বা তৌনরগনি।

নম্বর ৱান সিদেদ রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপনা ঙসি শান্নখিবা নুপীগী সিঙ্গলসকী সেমি ফাইনেল মেটচতা ৩শুবা সিদেদ স্পেনগী গার্বিন মুগুরুজাবু ষ্ট্রেট সেট অনীদা য়াম্না কোম্না মায়থিবা পীরম্বনি।

অহানবা সেট হালেপনা ৬–১ দা থোইদুনা সেট অমা মাঙজিল থারবা মতুং অনীশুবা সেট অদুদা স্পেনগী মুগুরুজাবু ৬–৪ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

রোমানিয়াগী সাইমোনা হালেপকা ফাইনেলদা লম্বা তৌনগদৌরিবী য়ুএসএগী স্লোনে ষ্টেফেন্সনা ঙসি শান্নখিবা মহাক্কী সেমি ফাইনেলদা অতোপ্পা য়ুএসএগী শান্নরোই মেদিসন কিজবু ৬–৪, ৬–৪ দা থোইরম্লগা ফাইনেল য়ৌরকপনি।

## এসিয়ান জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী এথলিটশিংনা গোল্ড মেডল অমা থারগা পুন্না মেডল ৪ লৌখ্রে



*হেম্মর থ্রোদা গোল্ড ফংখ্রবা আসিস জাখর (ওই) সিলভর ফংখ্রবা দামনিত সিংহ*

*গিফু, জুন ০৭ঃ*

জপাননা য়ুম্বু ওইরগা লৈবাক অসিগী সিটি গিফুদা ঙসিদগী হৌখিবা এসিয়ান জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপকী অহৌবা নুমিৎতা ইন্দিয়াগী এথলিটশিংনা গোল্ড মেডল অমা থারগা পুন্না মেডল ৪ লৌখ্রে।

ঙসি গিফুদা লৈবা নাগারাগাৱা ষ্টেদিয়মদা পাঙথোকখিবা নুপাগী হেম্মর থ্রো ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী এথলিট আসিস জাখরনা মিটর ৭৬.৮৬ লংদুনা ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙম্বদা নত্তনা জুনিয়র নেসনেল রেকোর্দসু থুগাইবা ঙমখি।

নীংশিংবা য়াবদি ইন্দিয়াগী এথলিট আসিস জাকর কুমজা ২০১৬ এসিয়ান জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ্তসু ইভেন্ট অসিগী গোল্ড মেডল লৌবা ঙমখিবনি।

নুপাগী হেম্মর থ্রো ইভেন্ট অদুগী সিলভর মেডল অদুসু ইন্দিয়াগী অতোপ্পা এথলিট দামনিত সিংহনা মিটর ৭৪.০৮ লংলগা ফংবা ঙমখি।

নুপীগী ত্রিপল জম্প ইভেন্টতা ইন্দিয়াগী এথলিট প্রিয়াদরসনি সুরেসনা মিটর ১৩.০৮ চোংদুনা ইভেন্ট অদুগী ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

ইভেন্ট অদুগী গোল্ড মেডল অদুনা ভিয়েটনামগী এথলিট ভু থি ঙোকনা মিটর ১৩.২২ চোংলগা লৌখি। অদুগা সিলভর মেডল অদুনা চাইনাগী এথলিট য়ৌকি পাননা মিটর ১৩.২১ দা লৌখি।

নুপীগী মিটর ৫০০০ গী লমজেলদা ইন্দিয়াগী এথলিট পুনম সোনুনেনা ১৭ঃ০৩.৭৫ সেকেন্দদা পন্থুংফম য়ৌদুনা ব্রোঞ্জ মেডল লৌবা ঙমখি।

নুপীগী মিটর ৫০০০ গী লমজেল অসিগী গোল্ড মেডল অদুনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিগী য়ুম্বু লৈবাক জপানগী এথলিট মিকুনি য়াদানা ১৬ঃ৩১.৬৫ সেকেন্দদা চেন্দুনা লৌবা ঙমখি। অদুগা সিলভর মেডল অদুনা চাইনাগী এথলিট লিহুৱা নিয়ুনা ১৬ঃ৫৫.৫৪ দা ফংখি।

মিটর ৪০০ গী লমজেলগী অহানবা হিট অনীদা ইন্দিয়াগী এথলিট জিসনা মেথ্যুনা মকোক ওইবা ঙমখি। মমাঙগী চেম্পিয়ন অসিনা ক্বালিফিকেসন রাউন্দদা ৫৪.৭৮ সেকেন্দদা চেন্দুনা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইখিবনি। অদুবু ফাইনেল রাউন্দদা শোত্থনা লৈখিবদগী মেডল ফংবা ঙমদনা লৈহৌখি।

নুপাগী মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা শরুক য়াখিবা এথলিট অজিত কুমার মহাক্না চেনখিবা হিটশিংদা খ্বাইদগী ফজবা মতম ৩ঃ৫৮.৪৬ চেনখ্রবসু ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমদনা লৈহৌখি।

নুপাগী মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা মেডল ফংগনি হায়না আশা তৌনরম্বা ইন্দিয়াগী এথলিট অনকিত ৩ঃ৪৫.১৫ সেকেন্দদা চেনখ্রবসু মেডল ফংবা ঙমহৌখিদে।

পনবা য়াবদি ইন্দিয়াগী নুপাগী এথলিট অনকিত এপ্রিল থাদা পাঙথোকখিবা ফেদরেসন কপকী চেম্পিয়ন ওইবা ঙমখিবনি। অদুবু ঙসি পাঙথোকখিবা এসিয়ান জুনিয়র এথলেটিক্স চেম্পিয়ন্সিপ অদুগী মিটর ১৫০০ গী লমজেলদা ৩ঃ৫১.২১ দা চেন্দুনা ফাইনেল রাউন্দগীদমক ক্বালিফাই ওইবা ঙমখিবনি।

## বেলজিয়মনা ইজিপ্তপু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে, নোরৱেনা পানামা থোইখ্রে, বেলারস অমসুং হঙ্গেরি ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে



*ব্রুজেলস, জুন ০৭ঃ*

রুশিয়ানা য়ুম্বু ওইরগা থা অসিগী ১৪ দগী হৌগদৌরিবা ফিফা ৱার্ল্ড কপ ফুটবোল টুর্নামেন্টকী শেম শাবা ওইনা ঙসি শান্নখিবা ফ্রেন্দলি মেটচ অমদা বেলজিয়মনা ইজিপ্তপু পাঞ্জল ৩–০ দা মায়থিবা পীখ্রে। অতোপ্পা মেটচশিংদা নোরৱেনা পানামাবু পাঞ্জল ১–০ দা থোইখ্রে, অদুগা বেলারস অমসুং হঙ্গেরি পাঞ্জল ১–১ দা দ্রো চৎখ্রে।

বেলজিয়ম অমসুং ইজিপ্তনা শান্নখিবা মেটচ অদু হৌরকপদা য়াম্না লম্বা মান্নরকখি। শান্নবগী ২৭শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা এটেক অমদা টিম অদুগী মরুওইবা শান্নরোই অমা ওইরিবা রোমেলু লুকাকুনা য়াম্না ফজবা পাঞ্জল অমা চনশিন্দুনা ইজিপ্তপু ১–০ দা মাঙজিল থাখি।

শান্নবগী ৩৮শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংনা চত্থরকখিবা মখা তাবা এটেক অমদা ইদেন হেজার্দনা পাঞ্জল অমগা চনশিল্লবা মতুং ২–০ দা হেন্দুনা চৎলগা অহানবা হাল্ফ অদু লোইশিনখি।

অনীশুবা হাল্ফ শান্নবা হৌরকপদা টিম অনীমক্কী শান্নরোইশিংনা অমনা অমগী গোল এরিয়াদা বোল পুশিন্নদুনা এটেক তৌদুনা শান্নরকখি। মতম কুইনা পাঞ্জল লৈনরুদ্রবা মতুং শান্নবগী ৯০শুবা মিনটতা বেলজিয়মগী শান্নরোইশিংগী এটেক অমদা মারৌনে ফাল্লাইনিনা পাঞ্জল অমগা চনশিন্দুনা ইজিপ্তপু ৩–০দা মায়থিবা পীখি।

নোরৱে অমসুং পানামানা শান্নখিবা মেটচ অদুদা নোরৱেগী অমত্তা ঙাইরবা মায় পাকপগী গোল অদু শান্নবগী ৪শুবা মিনটতা জোসুৱা কিংনা চনখিবনি।

বেলারস অমসুং হঙ্গেরিগী মেটচ অদুদা বেলারসকী ইন্টোন সারোকানা শান্নবগী ২৬শুবা মিনটতা অহানবা পাঞ্জল চনখি। অদুগা ইক্বেলাইজর অদুনা হঙ্গেরিগী শান্নরোই রোলান্দ ভরগানা ২৯শুবা মিনটতা চনখি।

## ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন আনন্দ ৮শুবা রাউন্দদা য়ুএসএগী ফাবিয়ানো করোনাগী মখুত্তা মায়থিখ্রে

*ষ্টাভেঙ্গর, জুন ০৬ঃ*

নোরৱেগী সিটি ষ্টাভেঙ্গরদা চত্থরিবা অল্টিবোক্স নোরৱে চেছ টুর্নামেন্টকী ঙসি শান্নখিবা ৮শুবা রাউন্দদা ইন্দিয়াগী গ্রান্দ মাষ্টর বিশ্বানাথন আনন্দ য়ুএসএগী শান্নরোই ফাবিয়ানো করোনাগী মখুত্তা মায়থিখ্রে।

৮শুবা রাউন্দগী মেটচ অসি শান্নদ্রিঙৈ মাঙওইননা ইন্দিয়াগী বিশ্বানাথন আনন্দ পোইন্ট ৩.৫ ফংলগা অতোপ্পা শান্নরোই ৩ গা লোয়ননা জোইন্ট লিদর ওইরম্বনি। অদুবু মেটচ অসি মায়থিখিবদগী ৫শুবা পোজিসনদা হন্থদুনা অতোপ্পা শান্নরোই ২ গা লৈমিন্নরি।

অল্টিবোক্স নোরৱে চেছ টুর্নামেন্ট অসিদা য়ুম্বু লৈবাক অসিগী শান্নরোই মেগনস কার্লসননা অতোপ্পা শান্নরোই ৩ গা লোয়ননা পোইন্ট ৪ ফংমিন্নদুনা টেবলগী মকোক ওইমিন্নদুনা চৎলি।